HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ



শুগুনু কেন্দ্র দিসএবল্ড ৱেলফেয়র এসোসিএসনদা তোলোপতগী থা ৪ চপ্পা লুপা লাখ ১/১ পীরগনি হায়না এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী রেজিষ্টর নম্বর খূৎশিন্নখিবা

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিং পুনশিল্লগা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি
☛ লামায় ২

ককচীংগী সী ঐচ সীদা আই সী য়ু য়ুনিট ১৫ শেমগৎপা হৌরে
☛ লামায় ৩

য়ু সী এমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম নবচন্দ্র শোয়দনমক মীরেপ...
☛ লামায় ৫

লোগী ৱাংমদা লম খোপচিল্লক্লিবসি মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু
☛ লামায় ৬

এসোসিএসন ওফ ভাস্কুলর এসেস এন্দ ইন্টরভেন্সনেল রিনাল ফিজিক্সিয়নস্না দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ ২০২১ পীরকপ্রবা রিমসকী নেফ্রোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর এন সরতকুমারবু তরাম্না ওকখিবা



Vol. 45, Issue No. 171 | শগোলশেন, লাংবনগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, September 16, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## য়ুনিয়ন মিনিষ্টর চন্দ্রসেখর লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপ অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট রজিভ চন্দ্রসেখর মণিপুরদা লাক্কদৌরি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট রজিভ চন্দ্রসেখর মণিপুরদা থুংলবা মতুং হয়েং নুংথিল চুড়াচান্দপুরদা চৎতুনা চুড়াচান্দপুরগী ফায়র বৃগেদ ষ্টেসন মনাক্তা লৈবা নৈলিট (এন আই ঈ এল আই টি) সেন্টর, তুইবোং শঙ্গারমগনি হায়রি।

## সু শাংদোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টকা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন্স (সু) গী অয়াবা থম্নরক্লিবা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অমসুং কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও) গগী মরক্তা থম্নরক্লিবা সুগী য়ানবা অসি ওগষ্ট ৩১, ২০২১দগী পারগা ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২ ফাওবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## বোম থম্লস্বা থৌদোক্তা ২ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা মকোয় লাংজিং চীং মনীংগী কে ভি এস ব্রিক ফিল্ডগী কেম্পস মনুংগী ঈশিং হায়রগা খঙনবা মফমদা লৈবা কে ভি এস এগ্রো ইন্দষ্ট্রিজগী ওফিসকী টেবলদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থম্লল্লে হায়বা পাউদগী মফম অদুদা পুলিসকী কম্মান্দো য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা চঙশিন্দুনা থি-হুন্স্বগী থবক চথখিবগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ত্রিপুরা মণিপুরী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ত্রিপুরাদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী মাঙথরক্লবা ফোক কলচর কন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা নিংহন্নবা তৌরোই, শোয়দনা থৱায় য়াওগনি হায়না ত্রিপুরা লৈঙাক্কী ইনফোর্মেসন এন্দ কলচর লোয়শঙগী মন্ত্রি সুসান্ত চৌধুরিনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরা অমদি তখেল লৈমা তেংবাঙ লূপ, ত্রিপুরা অনীনা পূন্না শিল্লগা ঙরাং ত্রিপুরাগী তারৌ মীতে খুলদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ২৯.৬৬°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.২৯°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৪৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৭

## HL Poll

Q: Lakkani meepainariba Covid-19gi ahumsuba wavekidamak leingakna loukhatlibasing meeyamda khanghanpham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Senapati districtta Go to hills - 2.0 pangthokpagi mayokta leplaklibasingdi leingakna yasinnaba purakpa ngamdre haibra?

Yes 86% No 14%

## অস! লোইরেহে!

- খুরুমজরি ঐঙোন্দা ভোট থাদবীয়ু।



- ঐদি অঙাওবনি নঙনা নমসতে তৌরিদো।

# পীক্লিবা অঙাংশিং পাক্তক্লনা নারকপদগী কোভিদকী ৩শুবা ৱেভ লাক্লব্রা মীপাইনরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট খরদা মশীং য়াম্না পীক্লিবা অঙাংশিংদা লায়না কয়ানা নাবা হৌরক্তুনা শিবা ফাওবা য়াওনরকপদগী মমা-মপা ওইবশিংনা অমদি ষ্টেটশিংদুগী মীওইশিংনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ লাক্লবরা হায়বা ফাওবা খন্নদুনা চাউনা মীপাইবা পোক্লরে।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদা হৌজিক ভাইরেল ফিভর, দেঙ্গি, ওবা, খোঙ হাম্বনচিংবা লাইওং কয়া লেপ্তুনা নারকপদগী অঙাং কয়াগী থৱায় ফাওবা মাঙবা য়াওখ্রে। নুমীৎ খরনি অসিগী মনুংদা বিহারগী ভাগলপুর দিষ্ট্রিক্তা তোঙান-তোঙানবা প্রাইভেট অমদি গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা চাওরাক্লা অঙাং ৮৩০ রোম লাইয়েংনবা পুখৎলকখি। অঙাংশিং অদুগী মনুংদা অঙাং ১১৩ হৌজিক-হৌজিক লাইকন্নদুনা লৈরি। অদুগা অতৈ অঙাংশিংনা লাইয়েংলবা মতুংদা হীদাক-লাংথক পীজরবা মতুংদা মখা তানা মশা-মশাগী ময়ুমদা হীদাক চানবা পাউতাক পীদুনা হলহনখ্রে হায়রি। অদুগা নুমীৎ খরনি অসিগী মনুংদা ভাইরেল ফিভর, দেঙ্গি অমদি ওবা, খোঙ হামধবদগী চাওরাক্লা অঙাং ১৪ লৈখিদ্রে। বিহারদা থা অমগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অঙাং ৬,৮০০ মুক ভাইরেল ফিভরনা মরম ওইদুনা হোস্পিটালদা পুখৎলকখ্রে হায়রি।

উত্তর প্রদেশগী লখনৌ, প্রয়াগরাজ, কানপুর, ফিরোজবাদচিংবা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্তশিংদা ভাইরেল ফিভরনা নারবা অঙাং কয়া হোস্পিটালশিংদা পুখৎনরকখি। ফিরোজবাদ খক্তদা পুং ২৪গী মনুংদা ভাইরেল ফিভরনা অঙাং ১৫ লৈহনখিদ্রে। ঙসি ফাওবদা ভাইরেল ফিভর অমদি দেঙ্গি লায়না লাইচৎনা লৈখিদবগী মশিং ১৫০ হেনখ্রে। লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা অঙাংশিংগী মমা-মপাশিংদা অচৌবা চৈথেং পীবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা তঙাইফদনা লৈবগী মথৌ তারকপনা অহীং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ভোট মতুংদা থর্দ ৱেভ লাক্কদ্রা চিংনৈ : খেমচান্দ



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : শিংজমৈ এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী কোভিদ-১৯ হেল্প লাইন সেন্টরনা শীন্দুনা চৎলিবা চহী অসিগী মে ৫দগী মণিপুর কোলেজগী কেম্পসতা হাংদোরকখিবা কম্যুনিতি কোভিদ কেয়র সেন্টর অদু ঙসি লোইশিনখ্রে।

কোলেজ অসিদা হাংলকখিবা এ সী অসিগী কোভিদ কেয়র সেন্টর লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎকী সেকেন্দ ৱেভ অসি থেংননবা মণিপুর কোলেজগী কেম্প অসিদা শিংজমৈ এ সীগী ওইনা কম্যুনিতি কোভিদ কেয়র সেন্টর অমা মে ৫দগী হাংদোক্তুনা মসিগী থবক থৌরমশিং চথরকখিবনি। সেন্টর অসিদা পূন্না লৈখিবা ইনমেটশিংগী মশীং ১০২৪নি। সেন্টর অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টতগী শেলগী মতেং অমত্তা য়াওদনা চলাইরকখিবনি। অদুবু মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসকী মায়কৈদগী থারকপা ডাক্টর, নর্স অমদি শিংজমৈ কম্যুনিতি হেল্থ সেন্টরগী ডাক্টর অমদি নর্সশিংদি সেন্টর অসিদা অয়ুক অমসুং নুমিদাং অনীমক্তা লাক্তুনা মসিদা লৈখিবা অনাবশিংবু য়েংশিনবীখি। মখোয়না পাংবীখিবা মতেং অদুগীদমক্তা মখোয়বু থাগৎলি হায়খি।

সেন্টর অসিদা থৌদাং য়াখিবা ভোলন্টিয়রশিংনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# এন ঐচ-১০২ পরিংদা লৈরম্বা পব্লিক পার্কিং পূম্নমক আই এম সীনা থিংজিনখ্রে

### পব্লিক ভেহিকলস পার্কিংগী মতাংদা সেপ্টেম্বর ১৮দা আই এম সীনা পুলিস য়াওনা মীটিং পাঙথোক্কদৌরি



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : পব্লিকবসু ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নেসনল হায়ৱে খরগী পরিংদা মখল অমত্তগী পার্কিং নৎত্রগা নেসনল হায়ৱেশিং অসিদা অপনবা পীগদবা থবক থৌরম অমত্তা চথবা য়ারোই হায়বগী লৈবাকসিগী ওইবা রুল/লো লৈজরগসু মতম কুইনগী মমাঙদগী নেসনল হায়ৱেশিংগী পরিংদা পব্লিক ভেহিকলশিংগী পার্কিং ওইহল্লক্তুনা লাকখিবা অদু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা মখা তাবা ওর্দর অমা থোকত্রিবা ফাওবগী ওইনা খুদক্তগী থিংজিন্দুনা থমখ্রে।

মসিগী মতাংদা ঙসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নর কে চন্দ্রকুমারনা ওফিসল ওইবা ওর্দর (নম্বর ১/১/২০১৮ - আই এম সী) থোকখ্রে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা, ঙসি আই এম সীগী ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নরনা থোকখিবা ওর্দর অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা থা অসিগী ১৩দা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনদা ইরকখিবা ওফিসল লেট্টর (নম্বর ২/৫৯/এস পি-ইম্ফাল ৱেষ্ট/২০২/৬৯২১) গী মতুংইন্না লৌখৎলকপা থবকনি হায়রি।

এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এম এল এ রঞ্জিৎনা লুপা লাখ ৪ পীরগনি

### লৈঙাক্লা কোভিদ লাইচৎ থেংনবদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট মীরাইবগী মমি তারে : রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা কোভিদকী লাইচৎ অসি নিংথিনা থেংনরি হায়না লাউজরবসু ককচীং দিষ্ট্রিক্তদি লাইচৎ অসি থেংনবদা লৈঙাক্লা মীরাইবগী মমি চাউনা তারে হায়না শুগুনু এ সীগী এম এল এ কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ককচীং খুনৌ কৈথেলদা ককচীং খুনৌ দিভেলপমেন্ট কম্মিটি অমদি টাস্ক ফোর্সনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা শুগুনু এ সীগী হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবশিংগী এসোসিএসন অমা ওইরিবা শুগুনু কেন্দ্র দিসএবল্ড ৱেলফেয়র এসোসিএসনদা গভর্ণমেন্টকী রেজিষ্টর নম্বর খূৎশিন্নবা অমদি এসোসিএসন অসিনা এম এল এবু শৌগৎতুনা মঙোন্দা চঙলকপগা লোয়ননা শুগুনু এ সীদা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভকী লায়না লাইচৎতা পোজিটিভ ওইরবা ইনমেটশিংগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা বস ড্রাইভর অনীদা লুপা লাখ ১ খূৎশিন্নবগী থৌরমদা ৱাফম অসি এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, চাওখ্রবা ককচীং দিষ্ট্রিক্তা এম্ব্যুলেন্স ফাওবা মতিক চানা পীবিদ্রি। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্লা লাইচৎ অসি লোকল ক্লব/ওর্গনাইজেসনশিংগা লোয়ননা টাস্ক ফোর্স শেমদুনা থেংনগনি হায়না লাউজরবসু টাস্ক ফোর্সশিং অসিনা থবক তৌবদা চঙবা শেল ফাওবা নিংথিনা পীবিদ্রি। মসিগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হাংলিবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসনশিংদা ঈশিং সপ্লাই তৌনবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মীওই ৬৫ বি জে পিদা য়াওশিনখ্রে

### হৈরোককী এম এল এ টি ঐচ রাধেশ্যামবু শৌগৎপা লেপত্রি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): হৈরোক এ সীগী মনুং চনবা লৌরেম্বমদগী কোংগ্রেস মরূ ফুক্তুনা বি জে পিদা মীয়াম হুপ্পা সপোর্ট তৌরকখ্রবা মতুং এ সী অসিমক্কী কোংগ্রেসকী অকনবা মফম ওইরম্বা পোল্লিং ষ্টেসন-১ চন্দ্রখোংদা হান্না কোংগ্রেসতা ভোট পীরম্বা মীওই ৫৫ অমসুং এন ঈ আই দি পিদা ভোট পীরম্বা মীওই ১০ পূন্না ৬৫না বি জে পিগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামবু সপোর্ট তৌখ্রে।

মীওইশিং অসিনা বি জে পিদা য়াওশিল্লকপদা এম এল এ রাধেশ্যামনা হায়, অতেনবা মতমদা হৈরোক এ সীদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া অমদি কোরোনাগী ৱেভ অনীরক্তা হৈরোক্কী মীয়ামগীদমক পায়খৎখিবা অমসুং পীখিবা মীওইবগী মীনুংশিংগী থবক কয়াশিং অদুদা অপেনবা পোক্তুনা মহাকপু সপোর্ট তৌবনি হায়রি। নৌনা বি জে পিদা য়াওরক্লবা মীওইশিং অদুবু এম এল এনা হরাওনা ওকপগা লোয়ননা বি জে পিগী লেংয়ান ফিশিং য়ানবীখি।

থৌরম অদুদা এম এল এন হায়, ঙসি অতোপ্পা পার্টিদগী বি জে পিবু নুংশিবীদুনা চঙবীরক্লিবশিংগী মতেংদগী হৈরোক এ সীদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া হেন্না পায়খৎপা ঙমহল্লগনি। ঐখোয় পূন্না খূৎশম্নরগা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎমিন্নসি। পেন্সন ফংদ্রিবশিংদা পেন্সন পীনবা থৌরাং তৌসি। অতৈ লৈঙাক্কী স্কিম কয়াসু য়ৌহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা বি জে পি হৈরোক মন্দলগী থৌমীশিংনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## এম এল এ রাধেশ্যামগী ৱাফম অরানবনি

### অনৌবা লৈঙাক্কী অনৌবা এম এল এ লাকপদগী ইঙাংলোক্তা শাগৎখিবা স্কুল মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমদবনি : ক্লব

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): হৈরোক এ সীগী হান্নগী মীহুৎ ওইরম্বা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা এ সী অসিগী ইঙাংলোক খুলদা স্কুল শুকশা শাদনা লুপা লাখ ৩৬ লৌথোক্লম্লে হায়না এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যামনা মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি হায়রদুনা ইঙাংলোক্ত স্কুল শাদবা লৈতেহায়না ইঙাংলোক নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট খুন্দোংবম হেমন্তনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ইঙাংলোক্তা খুঙ্গং অদুগী মীওইশিং, ক্লবকী মীওইশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা মীয়ামগী মহুৎ শিল্লদুনা প্রসিদেন্ট কে ঐচ হেমন্তনা ফোঙদোকখিবদা মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা খুঙ্গং অসিদা ক্লবকী মীওইশিং য়াওনা স্কুল শাবা হৌখিবনি। স্কুল অসি শাবা লোইশিন্নবা কন্না হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী এ সী অসিদসু অনৌবা এম এল এ অমা লাক্লবা মতুংদা ইঙাংলোক্তা শাগৎলিবা স্কুল শাবা লোইশিনবা ঙমদনা লৌথোকখিবা মফম ইঙাংলোক্তা লৈতে। স্কুল অসিবু শাবা লোইশিনবা ঙমখিদবা অসিদি অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী ওইখিবনি হায়রদুনা হৌজিকসু মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা ইঙাংলোক্কী স্কুল অসি শাবা লোইশিনবা ঙমনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## পদ্মশ্রী থোঙ্গ্রাম হরিদাস লৈখিদ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী থবক থৌরমশিংগীদমক কৎথোক্তুনা লাকখিবদগী সোসল সর্ভিসতা লৈবাক অসিগী অৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পদ্মশ্রী পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা থোঙ্গ্রাম হরিদাস ঙসি লৈখিদ্রে।

মণিপুর অমসুং লৈবাকসিগী নহারোলশিং শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা মহাক কুমজা ১৯২৮দা খাগেম্পল্লিদা থোঙ্গ্রাম কির্টি অমসুং থোঙ্গ্রাম লৈরিককী মচা ওইনা ফংজখিবনি। মশাগী ওইজবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## মীওই ২২৭ ফগৎলক্লগা অনৌবা কেস ২৩৬ থেংনরে, ২ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিলগী মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ২৩৬ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ২২৭ ফগৎলকখি। অদুম ওইনমক লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওই ২ লৈখিদ্রে হায়রি।

ঙসি নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অদুগী মনুংদা ১৯না সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পর্সনেলশিংনি। অদুগা মীওই ২১৭না জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনি। মসিগী মনুংদা নুপা ১০৫ অমসুং নুপী ১১২ য়াওরি। পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা মফমশিংনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা ১১, জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা ২৮ অদুগা অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস মশীং ১৯৭ থেংনখিবনি হায়রি।


নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট ৩৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১১৫, থৌবাল ৬, বিষ্ণুপুর ৮, ককচীং ৫, উখ্রুল ১০, চুড়াচান্দপুর ১০, চান্দেল ৪, সেনাপতি ৭, তমেংলোং ১, তেংনৌপল ৪, জিরিবাম ২, কামজোং ৬ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৫নি হায়রি। মখোয়গীদমক্তা মাঙজেন্নিনা লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী চেকশিন ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## অম্বাগী ৭০শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী লিগেল ফ্রেটর্নিটিগী মরক্তা খ্বাইদগী লিরবা বার এসোসিএসনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা) লিংখৎখিবগী চহী ৭০ শুরকপা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা অচম্বা থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।



থৌরমগী মপূং ওইবা শরুক্তা লৈখিদ্রবা অম্বাগী মেম্বরশিংগী মফমদা শরুক য়াখিবশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা মখোয়গী মফমদা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা মখোয় ...মখা লামায় ৩ কলম ৭



HL-C/188/11-18

## ৱিমেন এম্পৱারমেন্টগী থবকশিং লৌখৎলি : বিরেন

### মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী ১৫শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং হৌদোক্লগা থবক্তা ওন্থোক্তুনা নুপীশিংবু এম্পৱার্দ তৌনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি অমসুং নুপীশিংগী পুন্সি মরেল, সিক্যুরিটি অমসুং ইকায়খুম্নবা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবসু হোৎনরি।

ৱাফম অসি ঙসি হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম এস সী দব্লিয়ু) গী ১৫শুবা ফাউন্দেসন দে অমসুং নুমিৎ নীনি চখগদবা সোসিও কলচরেল এন্দ পোলিটিকেল কনভেন্সন ওফ নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন হায়বা থৌরমশিং অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্লা মখা তানা হায়, চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌজিক নুপীশিংগী কৈথেল তরেৎ শাগৎতুনা শঙ্গাখ্রে অমসুং অতোপ্পা নুপী কৈথেল ১০ অমসু শাগৎনবগী থবক লৌখৎলে। ষ্টেট অসিদা মণিপুর ষ্টার্ট অপ স্কিম হৌদোক্লে। মসি ষ্টেট অসিগী ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংবু মতেং পাংনবনি অমসুং হায়রিবা স্কিম অসিগী মখাদা খুদোংচাবা ফংবশিংগী মনুংদা অয়াম্বনা নুপী ঙাক্তনি হায়খি।

কুমজা ২০১৮-১৯গী এন্যুএল রিপোর্টমতুংইন্না লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম এন্টরপ্রাইজ (এম এস এম ঈ) গী লিষ্টতা মণিপুরনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরে অমসুং হায়রিবা বিজিনেস অসিগী মনুংদা চাদা ৫০দি নুপীশিংগীনি। ষ্টেট অসিগী ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা প্রাইম মিনিষ্টরস স্বানিধিগী মখাদা লোন ৭,১০৬ য়েন্থোকখ্রে। হায়রিবা লোনশিং অসি ফংখিবা মীওইশিংগী মনুংদা চাদা ৯৪দি নুপী ভেন্দর বেনিফিসরিশিংনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্লা মখা তানা মণিপুরগী নুপীশিংগী মতাংদা পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা নুপীশিংগা চাংদম্নবদা মণিপুরগী নুপীশিং হেন্না এম্পৱার্দ তৌরে। ষ্টেট অসিদা নুপীশিংনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টশিংদা মকোক থোংবা পোষ্টশিংদা থবক তৌরি। মণিপুরগী নুপীশিংগী য়াইফবা অমসুং মখোয়গী সিক্যুরিটিগী মতাংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ꯁꯍꯅꯕꯥ / 'হুইয়েন লানপাউ' না খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা হান্নদগী টিদ্দিম লম্বীগী কৈশাম্পাৎতা লৈরকপা পাউচে অসিগী মতম খরা থোঙ হাংলুদ্রবা ওফিস অদু অমুক হন্না হাংদোকচরে।

মরম অসিনা মীয়াম্না পাউচে অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগীদমক ওফিস অসিদা লাকপীবগা লোয়ননা প্রেস রিলিজ, ইনভাইটেসন অমদি এদভর্টিজমেন্টশিং ওফিস অসিদা পীবিরনবা খঙহঞ্জরি।

*খঙহঞ্জরিবা : হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*